থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মপু অমসুং মনাইগী ৱারী



নরেন্দ্র মোদিনা হায় ... 'ঐদি প্রধান মন্ত্রি নত্তে, প্রধান সেবকনি ... ঐদি লৈপাকসিবু ঙাক্লিবা, হুরানবা ফানবা শঙলিবা য়ুমশঙবা (চৌকিদার) অদুনি' ... অসিনচিংবা। ওপোজিসন্না হায় - 'মচীন থীরিবনি... খ্বাইদগী চাওবা চীন্থিবনি'। মখোয় মশেল ঙাঙনবা, হুন্নবা, লাউনবা - ৱারী ওইনা শানীংদে। হন্দক মহাক্না ইলাহবাদ'দা মহা-কুম্ভ-মেলা মনুংদা ৱাই-শীৎপা মঙাখক খনগৎলগা মখুৎমক্না মখোঙ হাম্বীবা, শোল অমা খুদোল তৌখিবদু তৌরক্কনি থাজখিদে। ঐতা নত্তে কনানসু থাজরম্লোই। থাজদবা থৌদোক্তুদা মায়াবত্তিনা হায় - 'ভোট ফংনবা তাৎ তৌরিবনি, তৌশিন্নরিবনি'। ঐনা অমুক হায়নীংই - তাৎ তৌদবা, তৌশিন্নদবা, হুরান্দবা পোলিটিসিয়ন কনা লৈবগে? তোল্ল-তারবা, অনেম্বা থাক্কী মী, দলিতশিংগী লুচিংবীনি মাদি, তাৎ অদু মাদি হান্না তৌবা য়াদবরা? থৌদোক্তুনা অতোন-অতা খরগী ভোট মোদি'দা পীখ্রগনি - পাখত্তুনা হায়রিবনি। মহাক্কুম্বা (মায়াগুম্বা) অতোনবা জাতিগী লুচিংবা ভি রাও অম্বেদকর'না হায়খিবা ৱাদুসু নীংশিংলকই ... 'অচৌবা মী (গ্রেত মেন) হায়বসিগা শক্লাইবা মী (ইমেনেন্ত পর্সন) হায়বদুগা অনীগী মরক্তা খেন্নরিবসি অচৌবা মী হায়বসিদি মতম চুপ্পদা খুন্নাইগী (মখোয়গী) মনাই ওইননবা শেম শাদুনা লৈ, হায়বসিখক্তদনি' ...। অসিগুম্বা, মীনা হায়নবা ৱা ময়ামসি তারগনি ঐখোয়গী পোলিটিসিয়নশিংনা মীখল মতম য়ৌশিল্লকপা খুদিংগী, নোংমতা মীঙোন্দা নোনবা হৈতবা মহাক্না মখূৎ লোন্নরদুনা 'মীয়ামগী পাউখোল্লোয় ওইহনবীয়ু ... মীয়ামগী সেবা ফংহনবীয়ু' হায়বা পোষ্টর ময়াম, লৈরক-কোন্সাং, ফক্লাংশিংদা ৱাই চাইবগুম থেৎলরিবদুনি, মীয়াম্না সেবা তৌবগী, কখোকপগী সেন্স মচেৎ অমত্তসু পোক্তবা, হুরান্দুনা মরল পৈশিনহৌবগী ৱাখলতমক চেনবা মখোয়না। মরম অসিনা, ঐখোয়গী লৈপাকসিদদি অনৌবা মীরোল অসিদা, পোলিটিসিয়ন মরক্তগী অচৌবা মী (গ্রেত মেন) থোক্লক্কনি হায়বগী ৱাখলদি খল্লুদবনা ফরবনি। হন্থবা থাক্কী মী, অতোন-অতা, শোক্ল-শম্নবা য়াদবা কাঙবুনি হায়না খুন্নাইসিনা ঈন্থোক্তুনা থম্লবা মীওইশিংদুনা কৈদৌঙৈ অতোপ্পগা মান্ননা শুবা নোম্বা তৌদুনা মীমান্ননা হিংগনি? 'মখোয়বু হন্থনা য়েংলোইদবনি' - চীনখক্তনা হায়বা নত্তবা, মখোয়দি অশেংবা 'লাইগী মচা'নি (হরিগী মচা-মশুনি) হায়ননবা 'হরিজন' (হরি + জন, হরিগী মীয়াম) মিংথোল পীখিবা মহাত্মা গান্ধি'মক্ননি। মীনা তূক্কচ্চনরবা মীয়ামদুগী মরক্তা কোরৌ নুমিৎ কয়ানি লেক-চাদুনা লৈমিন্নরগা, মখোয়গী সেবা তৌদুনা হেকসু লৈথোকখি। বৃটিসশিংগী লৈঙাক মকোক (ভাইসিরোই)না 'লৈপাক্কী অরুবা ৱা তান্নসি' কৌবদা, 'ঐদি নঙগা ৱারী শানগদবা অরুবা ৱা লৈতে, নঙনা ঐ উন্ননীংলবদি ঐগী নাত্তা লাক্কদবনি' হায়দুনা লোর্দ মাউন্তবেন্তন'বু হরিজনশিংগী লৈফমদা কৌদুনা ৱারী শানবা ঙমখিবা লুচিংবনি 'গান্ধি'। মহাক, ভারত জাতিগী মপা ওইরবসু মীয়ামগীদি মনাইনি। মোদিনা মশাবু 'প্রধান সেবক'নি হায়জরিবা, গান্ধিগী ৱাখল্লোনসি লামশিল্লগা হায়রিবরা? করম্বা ৱাখলনো লাম্ব ফংদে।

মপু মনাইগী ৱারী নীংশিংলুরগা মপু নীংবা য়োংগী ৱারীদুসু নীংশিংলকই। থবক ৱানা শুরুরগা উখা অমদা ঈংনা ঙাইহাক পোথাবদা তুমথোকখ্রবা মপুদুগী মমায়দা হয়ীং অমা তোংলিবদু ঙাইহাক লৈত' তান্থোকপদা খোয়দৌ থীৎলবা য়োংদুনা ফূ-ফূ কান্না শাউখিবা, হয়ীংদু হাৎলগে খনখিবা। মপুনা পায়রম্বা উ য়ান্নবা থাঙপাক পায়খৎলে, হয়ীংগী মায়কৈ য়েংদুনা লৈরে। অমদগী অমদা তোংলুরগা মপুদুগী ঙকশমদা তোংলরিবা হয়ীংদু তম্না থাঙপাক অদু হাইথরক্লে। হকচাংগা কোক্কা তোঙান-তোঙান তারিবদু ঙক্লা য়েংখি য়োংদুনা।

অতোপ্পা ৱারী অমসু লৈ। মথায় থায়না মমাঙদা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। থৌজাল হৈবা, মীনুংশি চাউবা নিংথৌনি। মনাইশিংবু লুনা চান্না তৌই। মনাইশিংদুগী মনুংদা মাবু খ্বাইদগী হেন্না নীংজবা মনাই অমা য়াওরিবদু মহাক্না বোদিগার্দ ওইহল্লম্মী। খুদোংথীবা তানফম কয়াদা মথ্বায় খুবাক্তা হাপ্পুনা, শিনি হায়বা খন্দনা মবুংঙো নিংথৌদুবু কনখিবা থৌদোক কয়াদু নীংশিংলগা নোংমদি মনাইদুদা হায়রকই, 'ইদাইরেম! মতম অসুক কুইবসি ঐগীদমক নহাক্না থৱায় পান্মুবা খঙদনা তৌরকপা সেবা অসিগীদমক মতিক চাবা অৱামল অমদি মনা অমত্তসু পীবা ঙমদে, পেল্লে ঐহাক ঙসিদি, নঙগী অপাম্বা খুদিং থুংহল্লগে ... হায়য়ু, করিনো নঙগী অপাম্বা'?

- 'ইনিংথৌগী থৌজাল মীৎয়েং ফংজবা, সিবু হেনবা করিনো, ননাই ঐনা পাম্লুদৌবা? হায়রিদুনা পেনজরে, ফংবগুম্না নুংঙাইজরে'। - অসুম্না পাউখুম পীরসু য়াবা লৈত্রে নিংথৌদো, 'নিজরো নঙগী অপাম্বা, অপাম্বদু থুংহনগনি' হায়দুনা লৈরে অসুম' অসুম।

য়ামল্লক্তুবদুদদি, মনাইনা মপুদা হঙ্গৎলে, 'ইনিংথৌনা য়াবীদ্রবনিনা হঙ্গৎচরগে ননাইগী অপাম্বা ... ইনিংথৌগী মহুৎ-শিন' ঐহাকপু, নোংমখক্কী, শুপ্পগী পুং ২৪ খক্কী নিংথৌ ওইনা হাপ্পিয়ু'। সনা-লুপা নিরক্কদ্র খল্লগা তায়োন্ননা থোক্লরে। হায়দোকখ্রবা ওইবনা, মথংগী নুমিৎ অদুদা নিংথৌফম থীন্দোক্লে, মনাইদুবু সিংহানসন'দা ফমহল্লে। সিংহাসন'দা হেক ফম্বগা অহানবা য়াথং তাউথরক্লে, 'ফম তারবা নিংথৌসি খুদক্তা অঙাং ওলহল্লু, মঙক্তা থৌরী থুরগা শিদ্রিফাওবা অচৌবা উ অমদা য়ান্থহল্লু'।

'করিনো নঙগী য়াথংসে, খুদকসিদা হন্দাকউ' - নিংথৌ ওইদ্রবা নিংথৌদুগী মৱাদি কনানসু লৌবীদ্রে। 'কনা লৈ? নিংথৌ ঐগী য়াথংনি, খুদক্তা নথৌ পাঙথোকউ', অসুম্না পুন্সি লোমখি নিংথৌরেল, মানা খ্বাইদগী থাজবা মনাইদুগী মখুত্তা। মাগী মপুদুদগী হেন্না খুৎকন পাঙ্গনবা নিংথৌ ওইনা, মতম শাংনা পালহৌখি। মাগী য়াথং শীংনরকপা, মাগী ফম্বাল মুনগে তেমশিংলকপা খুদিংমক খোঙদগী তিংখং লৌথোকপগুম শৎ-শৎ লৌথোকখি, তাইবংসিদা লৈহন্দে। মীনায়না মপু ওইরকপা, মপু ওইবা হৈতবা, অচৌবগী পুকচেল চেন্দবা, মথন্তনা চাউনীংবা, অতোপ্পগী খুন্দবা, মীনা য়াইফবা উরগা মথন্তা খোয়শাউনজবা ... ওইফম থোকপা মচৎনি।

অসুম্না, মীনা মীগী মীনাই ওইবা, মীনা মীগী মপু ওইবগী ৱারী নত্তবা, ঐখোয়, মীওইবা কৌবা থৱায় পানবসিগী মপুনা কনানো? মনাইনা করম্বনো? অদোম করিগুম্বদা খন্থবীখ্রবরা? ৱাখল লীশাং অমুক্তং থাদুনা য়েংবিয়ু - 'পূক্নিং' কৌবা খ্বাইদগী ঙকপা মীওইবগী মেকানিজম অসিনি মীওইবগী খ্বাইদগী অচানবা মনাই - খ্বাইদগী হেন্না হায়বা ইনবা। মহাক্না মপু ওইখ্রবা, হকচাংনা মনাই ওইরকপা মীকূপ অদুনি - মীওইবগী খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিবা মীকুপ। মদুগী খুদম - করপ্ত ওইবা মিনিষ্টরনি।

লৌশিং পুক্কে

# মনা-মশিং হিংনা চাবগী কান্নবা অমসুং কান্নদবশিং



মনা মশিং হিংনা চাবনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা কান্নবা ন্যুট্রিয়ন্ট পুম্নমক হকচাংনা লৌশিনবা ঙম্মী হায়না মীওই অয়াম্বনা থাজনৈ। অদুবু ইরিটেবল বাৱেল সিন্দ্রোম (আই বি এস) নৎত্রগা অতৈ দাইজেষ্টিভ প্রোব্লেম মায়োক্নবা মীওইশিংদি অহিংবা মনা মশিং অমত্তা চারোইদবনি হায়রি।

অহিংবা মনা মশিং চাবনা তুম্বা ঙমদবগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নহল্লকপা য়াই। ইটলিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বোলেগনাগী প্রোফেসার জিওবানি বারবরানা হায়খি, চীঙ্গাক মখল খুদিংমক থোংলবা মতুংদা হকচাংনা তুমহনবদা লায়না থোকই। মনা-মশিং ওইরবসু থোংলগা চাবনা ফবা হেল্লি। খ্বাইদগী ফবদি থাউদা তাউবা-ঙৌবগী মহুৎ ইচম চম্না ঈশিংদা ফুৎলগা চাবনি।

মনা মশিংদা পকপা মহিক মতাই পুম্নমক থোংবদা লোয়না শিখিবা মরম্না চাবদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইদে। ঈশিংগী মতাংদদি লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং থকপনা খ্বাইদগী ফবা হেল্লি। কালেনথাগী শারবা মতমদা ওইরবসু রেফ্রিজরেটরদা হাপ্পা অঈংবা ঈশিং থকপগী মহুৎ লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং ওইনা থক্কদবনি। মসিনা চাবা তুমহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা খোঙ হাম্বা নুংঙাইহল্লি। লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিং থকপনা ঈগী ঈচেল ফগৎহনবগা লোয়ননা হকচাং মনুংদা তুংশিন্দুনা লৈবা অমোৎ অকায় অমদি ফেট পুম্নমক লৌথোকখিবদা মতেং পাংই।

খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা অমসুং পূক নাবগী থৌওং অসি অয়াম্বা মতমদা ঐখোয় ঐখোয়না চাবা থকপগী মওং মতৌগা নক্নবা মরী লৈনৈ। চাবা থকপগী মওংদা অশোয়বা লৈরবদি ইরিটেবল বাৱেল সিন্দ্রোম (আই বি এস) ওইহল্লকই হায়রি।

লার্জ ইন্টেষ্টাইন (কোলোন) দা অশোয়বা লৈরকপদগী খোঙ হামথবা, পূক নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, পূক নুংশিৎ কাবা নৎত্রগা পূক কংখৎপগী থৌওংবু ইরিটেবল বাৱেল সিন্দ্রোম হায়না খঙনৈ। মীওইবগী ইন্টেষ্টাইনদা মহিক মশিং থীঙমদনা লৈ। মসিনা চাবা তুমহনবদা মতেং পাংলিবনি। হায়রিবা মহিকশিং অদুদা অকায়বা পীগদবা থৌওং লৌখৎলুরবদি ইরিটেবল বাৱেল সিন্দ্রোম ওইহল্লকই। ইটলিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বোলোগনাগী প্রোফেসার জিওবানি বারবরানা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমগী ইন্টেষ্টাইনদা লৈবা মহিক হেনগৎলকপা নৎত্রগা হন্থরকপা মতমদা ইরিটেবল বাৱেল সিন্দ্রোমগী খুদোংচাদবা থোকহল্লকই।

মহাক্না হায়খি, ইন্টেষ্টাইনদা লৈরিবা মহীকশিংগী মনুংদা কান্নবা অমসুং কান্নদবা হায়দুনা মখল অনী খায়দোকই। কান্নদবা মহীক মশিং হেনগৎলক্লগা কান্নবনা মশীং হন্থরকপা মতমদা ইরিটেবল বাৱেল সিন্দ্রোম ওইহল্লকই।

হকচাংদা অনাবা অমা লৈরকপা মতমদা ফহন্নবনি হায়দুনা চারিবা এন্টিবাইওটিক্সনা ইন্টেষ্টাইনদা লৈবা অফবা মহীক হাৎতোকখিবদগী খুদোংচাবা অসি ওইহল্লকপসু য়াওই। য়ুরোপিয়ন সোসাইটি ওফ ন্যুরোগেষ্ট্রোএন্টরলোজি এন্দ মোটিলিটিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা জিওবানি কারবরানা লুচিংবা রিছার্চর কাঙবু অমনা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফ্লোরিদাগী মনুং চনবা ময়ামিদা পাঙথোকখিবা গট মাইক্রোবাইওটা ফোর হেল্ঠ ৱর্ল্ড সমিটদা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি পুথোরকখি।

লার্জ ইন্টেষ্টাইন (কোলোন) দা অশোয়বা লৈবদগী ওইহল্লকপা ইরিটেবল বাৱেল সিন্দ্রোম হায়বসি মীওইবনা তোয়না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা অমনি। মসিনা মরম ওইরদুনা পূক নাবা, নুংশিৎ কাবা, পূক কংখৎপা, খোঙ হামথবা নৎত্রগা খোঙ হাম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্নহল্লকই। চাবা থকপগী মওং শেমদোকপগা লোয়ননা পুন্সি মহিং হোংদোক্লবা মতমদা ইরিটেবল বাৱেল সিন্দ্রোমগী লায়ওং তপ্না তপ্না হন্থরকই। কনাগুম্বা মীওই খরদি হীদাক লাংথক চাবগী মথৌ তাবসু য়াওই।

লায়ওং উৎথোরকপদা মী অমগা অতোপ্পা মীওই অমগা মান্নদে। খ্বাইদগী তোয়না উৎথোরকপা লায়ওংশিংদি পূক নাবা, নুংশিৎ কাবা, পূক কংখৎপা, খোঙ হামথবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অমসুং খোঙ হাম্বদা অনঙবা মহী য়াওরকপা অসিনচিংবনি। লায়ওং হায়রপ মান্নবা অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়ামরুম লৈবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা ডোক্তর অমগা তান্নবা মথৌ তাই। খুদোংচাদবা অসি মাঙজৌননা ঙাকথোক্নবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি মনা মশিং হিংনা চাদবা, য়ু থক্তবা, মৈখু শীজিন্নদবা, চাবা থকপগী মতম নাইবা, হকচাং শাজেল তৌবা, ঈশিং মরাঙ কায়না থকপা অমসুং তুম্বা অমদি য়াহৌবগী মতম নাইবনি।

# দক ফার্মিংগী নোংমগী ওইবা ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮(ঐচএনএস): এন বি এ জি আর-কর্নাল প্রোজেক্ট কেরেক্টরাইজেসন ওফ মণিপুর দককী মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ এনিমেল সাইন্সেস কোলেজ ওফ এগ্রীকলচর, সী এ য়ু, ইম্ফালনা শীন্দুনা স্কিল দিভলপমেন্ট ওন দক ফার্মিং ফোর সষ্টেনেবল ইনকম ওফ দি অন-এমপ্লোইয়দ য়ুর্থ হায়বা হীরম অসিদা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগাম অমা ঙসি সী এ য়ু ইম্ফালগী কোলেজ ওফ এগ্রীকলচরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. সী এ শ্রিনিবাসা মুর্থি, দিরেক্টর ওফ রিছার্স সী এ য়ু ইম্ফালনা চীফ গেষ্ট, প্রোফেসর ৱাই য়েকেন্দ্র দিন কোলেজ ওফ এগ্রীকলচর সী এ য়ু ইম্ফালনা প্রসিদেন্ট, প্রোফেসর জে এম লাইশ্রম এক্স দিন, কোলেজ ওফ এগ্রীকলচর সী এ য়ু ইম্ফাল অমসুং ডা. টি ঐচ রনাধির হেদ দিপার্টমেন্ট ওফ এনিমেল সাইন্সেস, সী ও এ, সী এ য়ু ইম্ফালনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা টি ঐচ রনাধিরনা হায়খি, স্কিল দিভলপমেন্ট অসি এগ্রীকচর খক্তা নত্তে। মসিদি অতৈ অন-এমপ্লোয়মেন্ট অমদি মীপুম খুদিংমক্তা য়াওদবা য়াদবা মরু ওইবা অমনি। মরু ওইনা মণিপুরগী ওইনা লৈজরিবা মৈতৈ ঙানুগী রিছোর্স লৈজবা অসিদা য়োকখৎক্কদৌরিবনি। ঙানু অমনা লুপা ৭০০ তগী লিশিং ফাওবা য়োল্লি।

ঙানু অদুনা মরুম কোক্লবা মতুংদ অমুক করম তৌনা য়োনগনি হায়বসু ফার্মরশিংদা ৱাখল তাহনগদবনি। করম্না ইনকম লাকহনগদগে, করম্না অহেনবা পোথোক পুথোকপা ঙমগদগে হায়বদু খঙমিন্নবা পাঙথোকপা ট্রেনিংনি। করম্না রেজিষ্টর তৌগনি। ঙানু অমনা মরুম ১০০ দগী ১৫০ ফাওবগী মনুংদা কোকপনিনা শোয়দনা ইনকম হেনগৎকনি। ঙানুশিংদা নাগনবা কম্মন দিজিজনি হায়না লৌনরিবা অদু ময়েক শেংনা খঙহন্দুনা ফার্মরশিংদা কান্নবা ফংহন্নিংই। হৌজিক্কী য়েনগী মথক্তা ঙানু হায়বা অসিসু য়াম্না মরু ওইবা ইনকম লৈবা, য়ুমদা য়োকপা উচেক মখল অমা ওইরক্লি। ইনকম হেন্না তাল্লবদি সষ্টেনেবল ইনকমসু ওইরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।।

# এ আরনা শীন্দুনা নেসনল সাইন্স দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮(ঐচএনএস): ফিজিক্সতা নোবেল প্রাইজ ফংখিবা ইন্দিয়াগী ফিজিসিষ্ট সী ভি রামনদা ইকাই খুম্নবা উত্তুনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লরিবা নেসনল সাইন্স দে ২০১৯ গী থৌরম ঙসি ৯ সেক্তর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলস থৌবাল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা থৌবালদা লৈবা অনন্দপুরনা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। সাইন্স ফোর দি পিপল এন্দ দি পিপল ফোর দি সাইন্স হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ২৬ এ আরগী মেজর রাকেসনা চীফ গেষ্ট, অনন্দপুরনা হায়র সেকেন্দরিগী প্রিন্সিপাল টি ঐচ চাওবনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

# একাদমিক এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮(ঐচএনএস): কোলিসন এগেষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থিনুংগৈ মখা লৈকাইদা লৈবা ইম্পেটস স্কুলদা একাদমিক এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে।

ময়াই কাবা চীঙ্গাক্না মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকখিবা একাদমিক এৱ্যেরনেস কেম্পেন অদুদা ওইনাম রামেসকান্ত প্রিন্সিপাল ইম্পেটস স্কুল অমসুং নিংথৌজম দোরেন ভাইস প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

কাদাগী জেনরেল সেক্রেটরি গীতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পর্সন ওইনা ৱা ঙাঙবদা অসুম্না হায়খি, মহৈরোয়শিংনা পুন্সিদা মায় পাকপা মীওই অমা ওইগে হায়বা তারবদি পুন্সিদা মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নগে হায়বা ৱাখল খল্লোইদবনি।

অমরোমদনা, অঙাং অমনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা হৌরকপা হায়বসি ইমুং-মনুংদগী হৌরকই। মরম অসিনা মমা-মপা ওইবশিংনা মচা ওইবশিংগী মমাংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক মখল অমত্তা শীজিন্নরোইদবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা নিংথৌজম দোরেন্না হায়খি, লমদম অসিদা ঐচ আই ভি/এইদসনা নারবা মীওই ৪৪,০০০ হেন্না লৈরে। মরম অদুনা চেকশিন্নিংঙাই ওই।



HL-P/3313/24/1-23/3(Alt.)



HL-B/5147/25/1-25/2

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১।০৩।২০১৯ ইং, ইরাই, অয়ুক পুং ৮.৩৯ ফাওবা ফাইরেলগী ২৫ নি পাল্লি, মতুং ২৬নি পাল্লনি।

মেষ: ঙমলোইদবদা হাইজিনগনু, মীতোপ থাজবগী কান্নবা করিসু লৈরোই অমদি খাংবা কন্দ্রদি লন ময়েং তাগনি। ইজৎ খরদি ফংগনি অমদি অঙনবদা তুংগী পোরম য়াৎহৌবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরৌ লৈনগনি-পংশিন্নৌ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

বৃষ: অনৌবা থৌরম নত্তনা লম খুদিংদা মাই পাক্কনি। তাকপি তম্বীবা ঙমবা অমদি মীয়াম্না য়ানবা চৎপসু ঙমজবা অমদি থাজদনা কান্নবা য়াম্না ফংগদবা নুমিৎনি। চিংনবা থদোকউ ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

মিথুন: নংগীনি খঞ্জরুবা মীনা নথক থোংবদা লান্না পাউথোকপিবা য়াবা লৈ-মীকুপ নাহুম শিংউ। ওইজবা তানবদি কান্নগনি, অনা-অয়েক কোকচৈ।
লৈশা পাখংশিংগী-অঙনবদা নুংঙাইবা পাউ তাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কর্কট: হকচাং খিংগনি, হোয়া ফবগীসু কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। থবক পাংগনি অমদি নচা ননাই চাওখৎকনি। অদুবু অঙম্বনা অরং-অরাক মৎপিখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

সিংহ: মতম মাংদনবা খন্থরগা থৌ পাংউ। মীৱা লৌবা য়াদে নত্রদি চাদিং হেনগনি অমদি পুক্নিংদা চিংনবা পোক্কনি। মীয়ামগী য়াকা য়েংনা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরম চাদে- অনিংবা হাইদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু

কন্যা: শেল-থুম পনগনি অদুনা চিন য়াংগনু অদুবু অঙম্বগী ৱা তারদি চিংননীংঙাই লৈতে। হনবা লৈতনা হোৎনরকপগী মহয় ফংগদবা লৈ। মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

তুলা: ঙসিসু ফিৱাল মমাই চুম্বা নুমিৎনি। নথক থোংবনা থাগৎপিগনি অমদি ঙাং শকপসু মীনা তানিংগনি। অশাওবা ফাথবা অমদি ইংনা চৎচবনা হেন্না য়াইফবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: থৌনা লৈনা অনিংবা অফবা থবক পাংবা য়াগনি। অদুবু য়েৎনরকপা মরম অমদি মরুপ মপাং লোইনবা থবক য়াখিরোই। লৌশিং চাওবা তান্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - মীচং খরা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/ফৌ।

ধনু: চিংনবা লৈতনা পাংগে খল্লকপা অফবা থবক পাংবা য়ারনি। মীয়াম অমদি লোইনবা মীগী মতেং চাওনা ফংগনি। নুংঙাইতবা পাউ খরা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মকর: থবক মফমদা পুক্নিং পেঞ্জবা অমদি মীয়ামগা লোইননা চৎচবা ঙমবা নুমিৎনি। লৈতেংগী পোৎলম ফংগনি অদুবু নোল্লুক্না চৎত্রদি মী খৎনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কুম্বা: য়েক্লবনফাও তেংবাংবিবা লৈগনি। হন্থবা লোইনবদি পক্লদে অদুবু থবক অমদি লৈফমগীদি থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি-কিগনু খুৎচাও থারো।
লৈশা পাখংশিংগী-নিংবা শোইদনা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

মিন: মহৌশাগুম লন ফংগনি অমদি লৌশিংনা নথক থোংববু লাইনা লাকশিনবা ঙমগনি। মীয়াম্বু লমজিং লমতাকপিবা ঙমগনি। মরুপ খনবদি খরদি হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী-মাই পাকচগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।